# য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মস অহানবা রাউন্দদা মায়থীখ্রে, নম্বর সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মায় পাকখ্রে




পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ঙসিদগী হৌখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মস অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মস নুপীগী সিঙ্গলস গ্রান্দস্লাম টাইটল ৭লক লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুবু মহাক্কী করিয়রদা ফ্রেঞ্চ ওপন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটলদি লৌবা ঙমখিদ্রি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা স্লোভাকিয়াগী অনা কেরোলিনা স্মিদলোভাগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট শান্নরোয় অনী মান্ননা লৈরম্বদগী স্মিদলোভানা ৱিল্লিয়মসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদুদসু ফনা কন্না হোৎনরবসু ৱিল্লিয়মসনা স্মিদলোভাগী মশান্না অদুদা নমথবা ঙমখিদবদগী অমুক্কসু সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিদুনা ৪-৬তা মায়থীরগা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু লোইশিনখি।

স্মিদলোভানা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা লম্বা তৌনগনি। অজারেনকানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা মোন্টিনিগ্রোগী শান্নরোয় দনা কোভিনিসকা লম্বা তৌনবদা ইকোম কোম্না ৬-১, ৬-২ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর সিদেদ ওইরিবী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচ অদু স্পেনগী সারা সোরিবস টোর্মোগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু খরা ৱানা ৬-৪ দা থোইখ্রবসু অনীশুবা সেটতদি হালেপনা টোর্মোগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-০দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। হালেপনা অনীশুবা রাউন্দদা স্বিজরলেন্দগী জিল টেগমান অমদি অতোপ্পা রোমানিয়াগী শান্নরোয় ইরিনা কামেরিয়া বেগুগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবশিংগী মনুংদা বেলজিয়মগী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৬শুবা সিদেদ ওইরিবী এলিস মার্টেন্স য়াওখি। মহাক্লা অহানবা রাউন্দ মেচতা রসিয়াগী শান্নরোয় মার্গরিতা গস্পারিনবু ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্লা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু ইষ্টোনিয়াগী কায়া কানেপিনি। কানেপিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা জেক রিপব্লিক্কী মারি বোস্কোভাবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২৭শুবা সিদেদ ওইরিবী একাটেরিনা অলেকজান্দ্রোভানা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এষ্ট্রা শর্ম্মাগা লম্বা তৌনরগনি। অলেকজান্দ্রোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেদিসিন ইঙ্গলিসপু ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়গী শর্ম্মনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা রসিয়াগী অনা ব্লিনকোভাবু ৬-৩, ২-৬, ৭-৫দা থোইরমখি।

বেলারসকী অতোপ্পা শান্নরোয় অলিয়াকজান্দ্রা সাস্নোবিস অমসুং ফ্রান্সকী শান্নরোয় কেরোলিন গ্রাসিয়াগা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগনি। সাস্নোবিসনা জর্মনিগী অনা ফ্রেদসামবু ৬-২, ২-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা গ্রাসিয়ানা ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোয় অনা কোন্টাভেদপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-৪দা থোইখি।

গ্রিসকী শান্নরোয় মারিয়া সাকারি অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় কামিলা রাখিমোভা অনীশুবা রাউন্দদা থেংনগনি। সাকারিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমজানোবিসপু ৬-০, ৭-৫দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা রাখিমোভানা য়ু এস এগী সেলবি রোজর্সপু ৬-২, ৬-৩দা থোইখি।

# রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবনা অহানবা ওইনা নুপীগী টিম শেম্নে হায়না লাউথোকখ্রে




স্রিনগর, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): জম্মু অমসুং কাশ্মির য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রিএল কাশ্মিরনা অহানবা ওইনা ঙসি 'দোটর্স দে'গা মরী লৈননা ক্লব অদুগী ভাবোকশিংদা অনৌবা নুপীগী টিম অমা শেমদুনা খুদোল তমখ্রে।

রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবকী চ্যেরমেন সন্দিপ সাটুনা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা নুপীগী টিম অমা শেম্বা অসি জম্মু কাশ্মিরগী মচানুপীশিংগী ওইগদৌরিবনি। মফম অদুগী নুপীমচাশিংদা শান্নবগী য়াম্না মশক খঙদোক্ত্রিবা টেলেন্ট কয়া লৈ। মরম অদুনা মখোয়বু মতিক চাবা ট্রেনিং পীবীরবদি য়াম্না শান্না চৎপা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংগনি হায়না থমখি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা নুপীশিংগী মরক্তা শান্নবা পাম্বগী থৌনা অদু য়াম্না লৈখৎলক্লি। নীংশিংবা য়াবদি, জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন অমসুং গোল কিপ্পর অপসান অশিক পনবা য়াই। মহাক হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর ফিট ইন্দিয়া দাইলোগকী মতাংদা ভর্চ্যুএল মীটিং পাঙথোকপদা থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রবনি।

চ্যেরমেন সন্দিপ সাটুনা অনৌবা নুপীগী টিম অসি মহাক্কী লোয়নবী পুনমদা শীন্নগদৌরিবনি। পুনমনা ফোঙদোকখিবদা, মঙোন্দা শীন্নরিবা অসি অচম্বা অমদি ওইরোই। কাশ্মিরগী নুপীমচাশিংনা থৱায় য়াওবগী চাং অসি য়েংলুরগদি মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

তম্পাক অদুগী নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা কনামক্তগী মতেং য়াওদনা মশা মথন্তা হোৎনজবা কয়া অমা লৈরি। মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবনা নুপীমচাশিং অসিগী থৌনা হেন্না হাপকদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা টিম অসিগী চহী ১০ মখা অমদি ১৪ মখাগী শান্নরোয়শিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক য়াম্না কন্না চখ্রি। রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবনা হিরো আই লীগ টুর্নামেন্টতা ফজবা ঙমখিবা অদুনা নুপীগী টিম অমা শেম্ননবা মায়কৈ কয়াদগী প্রেসর লাকখি। কুমজা ২০১৯-২০গী সিজনদা রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবনা টিম ১১ না লম্বা তৌনবা অদুদা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা মমিং লৈরবা এদ্যুকেনিষ্ট বিজয় ধরনা লুচিংবা দিল্লি পব্লিক স্কুল স্রিনগরদা 'সী পাৱর প্রোগ্রাম' লাকপদগীদি মফম অদুগী নুপীমচাশিংগী খুদোংচাবা হেন্না ফগৎলকপনি। হৌজিক হৌজিক রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লব অমসুং দি পি এসনা অপূনবা ফুটবোল টিম অমা শেমদুনা নেসনল লেভেলগী থাক্তা কম্পিটিসনশিং শরুক য়াগদৌরি।

মরক অসিদা, বিজয় ধরনা ফোঙদোকখিবদা, রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবনা তম্পাক অদুদা ফুটবোলবু য়াম্না অহেনবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা টেলেন্ট লৈবা কাঙলুপশিং অদুবু খনগৎতুনা মতিক চাবা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবা শীল-লাংলি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনসু লৌরিবা থৌদাং অদুসু মখোয়না তুংদা অফবা শান্নরোয় অমা ওইরকপগীদমক্তা য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়খি।

# অগরৱালগী সেঞ্চুরিনা কিংস এলেবেন পঞ্জাব আর আরগী মখুৎতগী কনবা ঙমখিদ্রে


ষ্টিবন স্মিথ অমসুং সঞ্জু সেমসননা ইনিংস অদু পুখৎলকখি। মখোয় অনীনা রন ৮১ অথুবা মতমদা হাপচিনবা ঙমখি।

সর্জা, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): য়ু এ ঈগী সিটি সর্জাদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৯শুবা মেচতা ময়াঙ্ক অগরৱালগী সেঞ্চুরিনা কিংস এলেবেন পঞ্জাবপু রাজস্থান রোয়েলসকী মখুৎতগী কনবা ঙমখিদ্রে। মেচ অদু রাজস্থান রোয়েলসনা ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচকী টোচ অদু রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা লীগ অসিগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ২২৩ লৌবা ঙমখি। ওপনর রাহুল অমসুং অগরৱালনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্শিপকীদমক ওভর ১৬কা বোল ৩দা রন ১৮৩ হাপচিদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখি। অগরৱাল শুপ্পগী বোল ৫০দা রন ১০৬ লৌরমখি। মদুদা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ১০ য়াওখি।

রাহুল ইনিংসকী ১৮শুবা ওভরদা বোল ৫৪দা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৬৯দা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন পুরাননা শুপ্পগী বোল ৮দা সিক্স ৩গা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৫ লৌখিবা অদু ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা রাজস্থান রোয়েলসকী মায়কৈদ্দগী ওভর ১দা রন ১২গী চাংদা লৌবগী টার্গেট লৈখি। মখোয়না রন ২২৪ লৌরগা মেচ অদু মায় পাক্কদৌরিবনি। টিম অদুগী ওপনর জোস বটুলর রন ৪দা আউট ওইখি। অদুবু ষ্টিবন স্মিথ অমসুং সঞ্জু সেমসননা ইনিংস অদু পুখৎলকখি। মখোয় অনীনা রন ৮১ অথুবা মতমদা হাপচিনবা ঙমখি।

স্মিথ বোল ২৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫০ দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা রাহুল টিৱাটিয়া অমদি সঞ্জু সেমসননা মখা তানা ইনিংস অদু চথুরকপদা রন ৬১ হাপচিনখি। সঞ্জু বোল ৪২দা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৮৫ লৌখি। মখা তারকপদা টিৱাটিয়া অমদি উথাপানা টিম অদুগী রন ২০০ লাম্থোকহনখি। উথাপা রন ৯দা আউট ওইখ্রবা মতুং টিৱাটিয়া বোল ৩১ দা সিক্স ৭ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌরকখি। জেফ্রা অর্চরনা বোল ৩ মায়োক্লবদা সিক্স ২ য়ৈরগা রন ১৩ লৌদুনা বোল ৩ ৱাৎলিঙৈদদা রন ২২৬ য়ৌরগা ৱিকেট ৪ দা থোইখি। হয়েং ১০শুবা মেচ ওইনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর দুবাইদা শান্নগনি।

# ইষ্ট বেঙ্গোল ফুটবোল ক্লবনা আই এস এলগী ১১শুবা টিম ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী ফুটবোল ক্লব ইষ্ট বেঙ্গোলনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ১১শুবা টিম ওইখ্রে।

ৱাফম অসি ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদকী ফাউন্দর অমসুং চ্যেরপর্সন নিতা অম্বানিনা ঙসি লাউথোকখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা লৈবা শ্রী সিমেন্ট কম্পেনিনা ইষ্ট বেঙ্গোল ফুটবোল ক্লবকী মেজোরিটি স্যের লৌশিন্দুনা ক্লব অসিগী অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা বিদিং তৌখিবনি।

নিতা অম্বানিনা ফোঙদোকখিবদা, আই এস এলনা ইষ্ট বেঙ্গোল ফুটবোল ক্লব অমসুং ক্লব অসিগী ভাবোক লাখ কয়াবু তরাম্না ওকই হায়খি। মমাঙদা ইষ্ট বেঙ্গোলগী মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা হান্নদগী আই এস এলদা শরুক য়াদুনা লাক্লবা এটলেটিকো দি কোলকাটাগা পুনশিনখিবা অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোলসু ঙসিদগী হৌরগা আই এস এলগী ১১শুবা টিম ওইরবনিনা মরুওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা লৈরিবা ফুটবোলগী টেলেন্টশিং অদুবু নৌনা লম্বেল পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী তরেৎশুবা ইদিসন অদু লাক্লিবা নবেম্বর থাদগী হৌরগা মার্চ থা ফাওবা গোৱাগী ফটোর্দারদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম, বম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী এথলেটিক ষ্টেদিয়ম অমসুং বাস্কোদা লৈবা টিলক মৈদান ষ্টেদিয়মদা ভাবোক য়াওদনা শান্নগদৌরিবনি।

ইষ্ট বেঙ্গোল ক্লবনা নৌনা আই এস এলদা য়াওরকপা অসিনা চহী ১৩০ শুরবা ক্লব অসিগা মোহন বগানগা লৈরকপা লম্বা অদু অহানবা ওইনা আই এস এলদা উবা ফংলগনি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমসুং লোনগী মতম অদু হয়েং লোইশিনগনি হায়না তৌরম্বদু ওক্টোবর ৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না জেনরেল সেক্রেটেরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অতোপ্পা এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমগী মতুংইন্না হন্দক্তা এ আই এফ এফনা পীবা খ্বাইদগী ফজবা রেফরিগী মনা অমসুং ইমজিং ৱিমেন্স প্লেয়রগী মনা ফংখ্রবা মথংশিংনা এল অজিৎ কুমার মৈতে অমসুং এন রতনবালাবু এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মখোয়গী তুংগী করিয়রদা অহেনবা ওইরসনু হায়খি।

# ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কোচিং কনফরেন্স য়াওনবা অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগদবা ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কোচিং কনফরেন্সতা কোচশিংনা য়াওননবা ফোঙদোরক্লি।

কনফরেন্স অসিদা য়ুথ ফুটবোল, ৱিমেন্স ফুটবোল, মীদিয়া, স্কাউটিং অমসুং কোচ এদ্যুকেসনগী মতাংদা ফিফা কোচ এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ইন্সট্রক্টর অমনা ৱা ঙাংগনি।

নুমীৎ হুম্নীগী কনফরেন্স অসিগী অরোইবা নুমীৎতা এ আই এফ এফনা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেক অমদি ফিল্ড ব্রাউনসু ৱা ঙাংগদৌরি।

এ আই এফ এফকী কোচ এদ্যুকেসনগী মকোক ওইরিবা সাবিও মেদৈরোনা কনফরেন্স অসি চাউনা মায় পাক্কনি হায়খি। ফেদরেসন অসিগী সী সার্টিফিকেট, এ এফ সীগী বি, এ অমসুং প্রো দিপ্লোমা পায়বা কোচ ওইগদবনি। ৱেবসাইট coaching.the-aiff.com দা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

# রসিয়াগী রুব্লেবনা টাইটল লৌখ্রে

হেমবর্গ, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): জর্মনিগী হেমবর্গতা পাঙথোকপা হেমবর্গ য়ুরোপিয়ন এ টি পি টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপা সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা মঙাশুবা সিদেদ এন্দ্রি রুব্লেবনা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিফানোজ সীসীপাসপু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল অদু ফংখি।

অহানবা সেট রুব্লেবনা ৬-৪দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা সীসীপাসনা অমুক ফজরক্তুনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখিবনি। সেট অমমম মান্নরবা মতুং অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনী হেঞ্জিন্নখিদে। গেম ১০ ফাওবা ৫-৫ মায় পাক্লরগা মান্নদুনা লৈখিবনি। অদুবু সীসীপাসকী সর্ভিস গেম রুব্লেবনা ব্রেক তৌখিবা অমদি মশামক্কী গেম হোল্ড তৌদুনা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা টাইটল লৌখি। দবলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী পিয়র্স অমসুং ন্যু জিলেন্দগী এম ভেনসনা ক্রোসিয়াগী পিয়র দোগিক অমদি পাবিসপু থোইরগা টাইটল ফংখি।

# চেলসি অমসুং ৱেষ্টব্রোমৱিচ দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): চেলসি ফুটবোল ক্লবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্লব অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ মেচতা ৱেষ্টব্রোমৱিচ অলবিয়নগা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা চেলসিগী মায়কৈদা ৱেষ্টব্রোমৱিচ অলবিয়ননা পাঞ্জল ৩ চনশিনখি। কেলম রোবিন্সননা শান্নবগী ৪শুবা অমসুং ২৫দা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা হাফ অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় কাইল বার্টলিনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা চেলসিগী মায়কৈদা ফজবা হেনগৎলকখি। ৫৫শুবা মিনটতা মেসন মাউন্টনা পাঞ্জল ১ হন্দাকপা হৌখি। ৭০শুবা মিনটতা হটসন ওদোয়না অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনবা চেলসিগী টিম অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা মিনটতা টিম অদুগী টামি অব্রাহমনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

ঙরাং অতোপ্পা মেচ অমদা এবর্টননা খৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিদা শান্নখিবা মেচ অহুম্মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা লিদস য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা রাউন্দ ৩ দ পোইন্ট ৬ ফংবা ঙমখ্রে। অমরোমদা, সাউথমটননা বুনলেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। অতোপ্পা মেচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

# রিএল মাদ্রিদনা রিএল বেটিস থোইখ্রে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা নুপাগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেচ অমদা রিএল মাদ্রিদনা রিএল বেটিসপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে।

মেচকী হৌরকপা মিনট ১৪ চনশিল্লকপদা রিএল মাদ্রিদকী ফেদেরিকো বালভর্দিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু রিএল বেটিসকী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী মখা তারকপা মতমশিংদা ফজবা হেনখিবা মরম্না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী ঐসা মন্দিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা লোইরগা মিনট ২গী মনুংদা টিমমেট ৱিলিয়ম কার্বালোনা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা রিএল মাদ্রিদপু ২-১দা হেল্লগা লৈখি। অনীশুব হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা রিএল মাদ্রিদকী এটেক অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা রিএল বেটিসকী ইমর্সননা ওন গোল অমা চল্লগা ইক্বেলাইজর অদু মখোয়না রিএল মাদ্রিদতা পীবীখি।

মেচ লোইগদবা মিনট ৮ দা ঙাইরবা মতমদা রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা কেপ্টেন সর্জিওরামোসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-২দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা লিভান্টেনা ওসাসুনাবু ৩-১দা থোইখি। অদুগা এথলেটিক বিলবাওনা ঐবাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক মায়থীবা নংখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হোফেনহেনগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ১৬ চঙশিল্লকপদা ঈ বিকাসিকনা পাঞ্জল চনবা হৌখি। টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা এম দাবুরনা চনবা ঙমখি। চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা জে কিমিসনা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা হাফ অদু ১-২দা শোৎখদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবশিং অদু কান্নবা ফংখিদে। ৭৭শুবা মিনটতা এ ক্রামারিকনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। বেয়র্ন ম্যুনিক্লা মখা তানা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৯০শুবা মিনটতা ক্রামারিকনা হোফেনহেনগী মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ৪-১দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা কুমজা ২০১৯-২০গী বুন্দেস লিগা সিজনদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু ওগসবর্গনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা মেচ অমদনা ৱার্দর ব্রিমেননা সালকে ০৪বু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগ অমসুং য়ুনিয়ন বর্লিন ১-১দা দ্রো চৎখি।

# ইন্টরনা ফিওরেন্টিনাবু ৪-৩দা থোইখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্টরনা ফিওরেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখ্রে।

ইন্টরগী ওইনা ঙসিগী মেচ অদু সিজন অসিগী অহানবা মেচ ওইখি। অদুগা ফিওরেন্টিনাগীনা অনীশুবা মেচনি। অহানবা হাফ নাকল অনীমক লম্বা মান্নখি। অহুমশুবা মিনটতা ফিওরেন্টিনাগী খৃষ্টিয়ন কোমেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা ইন্টরগী লোটারো মার্টিনেসনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ফিওরেন্টিনাগী মায়কৈদগী সেসিরিনা শোয়বদগী থকচিনখিবা বোল অমা ইন্টরগীদমক্তা পীবীখি। অদুবু অশোয়বা অদু অথুবা মতমদা গেটানো কাষ্ট্রোভিলিনা ৫৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখি।

মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা ফিওরেন্টিনাগী ফেদেরিকো সিয়াসানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্টরবু ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী ৮৭ অমসুং ৮৯ শুবা মিনটতা ইন্টরগী মায়কৈদগী লুকাকু অমসুং দানিলোনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ৪-৩দা থোইখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা সাসুলোনা স্পেজিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদনা লাজিওনা কাগ্লিয়ারিবু ২-০দা থোইখি।

JOB VACANCY
1. Sales Executive
(Tbl., Kakching, Nambol, Moirang, Sekmai)
2. Security
3. Driver (Unmarried)
4. 2 Wheeler Mechanic
5. Gr. - IV
N.B : All Posts Salary Starting from Rs. 5,000/- to 30,000/- without Insetive +Bonus.
Please Contact, M.M. Singh
Mobile No. 8413973840
HL/B/6352/28

A unit of Maion Greentech Pvt. Ltd.
RaDiant e-ride
Get Instant LOAN
Own any Electric Scooter within 1 second
Loan tied up with HDFC BANK
We understand your world
Head Office Sangaiprou Ningthemkol
Branch Offices Thoubal | Moirang | Sekmai
Interest below 1%/month
No Processing fees
No Guarantor
Loan upto 80%
EXIDE NEO
Corporate tie up with State Bank of India
Loan facility available under Mudra Yojana (A Central Govt. initiative)
6909 832 745
HL-B/6409/27th Sept. to 28th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com